**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্টস অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতি গদকারিনা হায়রি- মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেশিংদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নরগনি।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- তমেংলোংগী লৌমীশিংনা কোমলা থাদুনা চহি অমদা লুপা লাখ মঙা ফাওবা তানবা ঙল্লি।

৩) বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায় মমাং লৈকাইদা ঙরাং বোম য়াওনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখিবগী থৌদোক অদু মখা তানা থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

৪) নোনে জিলাগী অহানবা ফয়ার সবষ্টেসন ঙসি এম.এল.এ- দিনগানলুং গাংমৈনা হাংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) এম.জি.এন.আর.ই.জি.এগী মহুৎ শিনগদবা ভিক্সিত ভারত-জি রাম জি বিল ২০২৫ লোক সভাদা ঙসি পুথোকখ্রে।

------

সনাজাউবা (এল)ঃ কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্টস অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতি গদকারিনা হায়রি- মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেশিংদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নরগনি।

রাজ্য সভাদা ঙসি মণিপুরগী সদস্য নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেশিংদা মীয়ামদগী নমফুদা শেল মুনবা অমদি কাংলুপ খরা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীবা অমদি হাইৱেশিং অসিগী ফিভমগী মতাংদা করি থবক লৌখৎলবগে হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিনা হায়- মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং মফম অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা মথং থাগী ১২ অমসুং ১৩ দা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং রাজ্যপালশিং য়াওনা গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কদবা অৱাং নোংপোক লমদমগী লম্বী থোংগী মতাংদা ৱাফমশিং অসি পুথোক্কুনা খন্নগনি। শ্রী গদকারিনা হায়- হৌখিবা চহি অনিরোম অসিদা মণিপুরগী ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী ফিভম অসিদা নেসনেল হাইৱেদা লম্বী শেম্বদা শিজিন্নরিবা মেছিন অমদি খুৎলায়শিং মৈ থাদোকপনচিংবা থৌওংশিং চশ্থরকপদগী কোন্ট্রেক্তরশিং মফম অদুদগী চেনথোরকখি। মন্ত্রিনা লৈশেম্বা সনাজাউবগী মাইকৈদগী মরিক চুম্বা ৱারোলশিং য়াওবা অইবা চেরোল পীশিনবীরকবসু খঙহনখি।

কাংপোকপী (এল)ঃ সুপ্রিম কোর্ট কমিতি ওন রোড সেফতিগী পাউতাক মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা শিন্দুনা ক্বাটরলি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমপ্লায়েন্স রিভিউ মীফম ঙসি দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ চৌধুরিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জিলা অসিদা পায়খৎলিবা মরুওইবা থবক থৌরমশিং অমদি সাদর হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগা খুৎশমরগা পায়খৎপা পার্কিং মেনেজমেন্ট সিষ্টেম শঙ্গাবগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম খন্নখি। জিলা অদুদা পার্কিংগী থবক থৌরমশিং ফগৎহন্নবা এ.দি.সি অমসুং পুলিস বিভাগশিংগী মরক্তা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা মহাকা খঙহনখি। দিপ্যুতি কম্মিসনারনা পি.দব্লিউ.দি, এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল অমসুং নেসনেল হাইৱেজ ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা লম্বী লাম্থোক লানশিন তৌবদা খুদোংচাদ্রবা থোংশিং, শেমজিনবগী তঙাইফদবা লৈরবা থোং অমসুং পি.এম.জি.এস.ৱাইকী মরুওইবা

লন্থীশিং খঙদোকবা পাউতাক পীখি। মসিগী অকুপ্পা রিপোর্ট পীখৎলকবসু দিপ্যুতি কন্মিসনারনা খঙহনখি।

ওরেঞ্জ (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মণিপুরদা পুথোক্লিবা কোল্লাগী চাদা ৫০ হেন্না তমেংলোং জিলানা পুথোক্লি। মহাকা হায়- কোল্লানা তমেংলোং জিলাগী মীয়ামগী মরুওইবা শেনমিৎলোন ওইরি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা ১৮ শুবা রাজ্য থাক্কী কোমলা ফেষ্টিভেল হৌদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- কুম্ন্ধে অসিনা তমেংলোংগী কোমলা হায়না মমিং চৎলিবা অসিবু য়োকখৎপদা নত্তনা লম কোইবা অমসুং মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। কোমলা থাবা লৌমীশিংগী ইমুং অমনা চহি অমদা লুপা লাখ মরিদগীনা মঙা ফাওবা তানবা ঙন্বা অসিমক শিংথানিঙাইনি।

ইং ২০১৭ তা জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন (জি.আই.টেক) ফংখ্রবা তমেংলোং কোমলাবু হেন্না পুথোকপা ঙমবা সরকারনা কোল্ড ষ্টোরেজ, তিসু কলচর অমদি ফুড প্রোসেসিং য়ুনিতনচিংবা হাংদোকপা লৈখ্রে। মখা তানা নরসরি য়ুনিত, সোলর পৱার কোল্ড ষ্টোরেজ অমদি কোমলা য়োনফমশিং মতিক চাহনবা য়াওনা মফম অদুদা কে.ভি.কে হাংদোকপা তঙাইফদে। কোমলা অসি তমেংলোংগী ওইনা জিলা অমা, পোত্থোক অমনি হায়রদুনা রাজ্যপালনা হায়- কুম্ন্ধে অসি হৌজিক্তি লৌমীশিং, আর্টিষ্ট অমদি নহাশিং শরুক য়াদুনা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং অমত্তা ওইবা হায়বা পাউজেল শন্দোক্লি। শ্রী ভল্লানা হায়- সরকার অমসুং তমেংলোং মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসিনা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট অমসুং নুংশি চান্নবা সমাজ অমা ওইবগী তমজনিঙাই ওইরক্লি ।

চেঞ্জিং ফোর কোজ হায়বা হিরদমদা থা অসিগী ১৯ ফাওবা চত্থগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা কোমলাগী ষ্টোল ৩০০ অমদি হোর্তিকলচরগী অতৈ পোত্থোকশিংগী ওইবা ষ্টোল ২০০ হেনবসু হাংলি । ফেষ্টিভেল অসিদা কোল্লাগী ষ্টোল হাংলিবা মীওই অমনা অসুমা ফোংদোক্লি।

ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অংসিম দাংসুৱা, নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরদ চন্দ্র অরোজ, তমেংলোং জিলাগী এস.পি, অমদি লান্মীগী ওফিসিয়েল য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়ারি।

ফেষ্টিভেল অসিদা কোমলা য়ামা হেন্না পুথোকপগী অথোই অহেন তান্নগনি। মসিগী মথক্তা নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈ অমদি ওরেঞ্জ ক্কিন খনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

বুক (এল)ঃ ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ারগী ঙসি হুমি চনবা নুমিৎতা লাইব্রেরিয়ান, অইবা, পাব্লিসর অমসুং রিদরশিংগা ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। খন্ন-নৈনবা অদুদা থবক্তগী পোত্থারবা আই.এ.এস ওফিসার-কাংজম রাধাকুমারনা চেয়ারমেন ওইখি। খন্ন-নৈনবা অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী লাইব্রেরিয়ান ডাঃ সি.ঐচ. ইবোহল সিংহ, অইবা অমসুং সাহিত্য একাদমি মনা ফংলবা শরত চান্দ থিয়াম, পাব্লিসর ওইনা মংশাতাবম মখোনমনি, রিদরগী ওইনা ফ্রিলেন্স রিছার্সর ডাঃ টি. তোম্বা শরুক য়াখি।

হয়েং মরিনি চনবা নুমিৎতা ইন্তরনেটনা লাইব্রেরিগী মহুৎ শিনবা য়ারোই হায়বা হিরমদা দিবেতিং কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি।

তোরবুং (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা তোরবুং গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা ফৌগাকচাউ ইখায় মমাং লৈকাইদা ঙরাং নুমিদাং মশক খঙদবশিংনা বোম য়াওনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখিবগী থৌদোক অদু মখা তানা থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর জিলাগী পাউমীনা হায়- ঙসি থৌদোক থোকফমদা দি.আই.জি রেঞ্জ-ৱান রাকেশ বলৱন্না লুচিংবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, থৌদোক অদুবু জিলা অসিগী মীয়াম য়াওনা লুপ কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। অসিগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোক্তনবা রাজ্য থাক্কী

তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী অপুনবা মীফম অমসু ঙসি পাঙথোকখি। শান্তি পামদবা, য়ুম্লক্তা নোংমৈ কাপশিনবদা চেন্নরিবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিনখি হায়রি।

বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী লোন্নবা মফমদা ঙরাং চীংথক্তগী খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওইশিংনা তম্পাক্কী য়ুম্লক্তা নোংমৈ অমদি বোম কাপশিল্লকখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা মফম কয়াদা লম্বী থিংবা য়াওনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিনখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ নেসনেল হেরাল্ড কেসকা মরী লৈননা কংগ্রেস লুচিংবা সোনিয়া গান্ধি অমসুং রাহুল গান্ধিগী মথক্তা থাংগৎলকপা চার্জসিট দিল্লিগী কোর্ট অমনা ককখিবা অসিমক অচুম্বনা মায় পাক্লে হায়বা তাকপনি হায়না কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়খ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)না শিন্দুনা চংশিনখিবা খোঙজং অমদা ফোংদোকখিবনি। মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি কমপ্লেক্স মমাংদা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা শ্রী ইবোবীনা হায়- কংগ্রেসকী লুচিংবা অনি অসিগী মথক্তা মরাল কয়া শিজিন্দুনা ঙাইহাক লৈতনা অয়েক অপন পীদুনা লাকখিবনি। মসিমক পাল্লিবা সরকার অসিনা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংগী মথক্তা অতমনা চথুবা থৌওংনি। মরম অদুনা কোর্টনা চার্জসিট ককখ্রবনিনা লুচিংবা অনি অসিগী মথক্তা মতম শাংনা অয়েৎ অপন পীদুনা লাকখিবা অদুগীদমক প্রধান মন্ত্রি অমদি গৃহ মন্ত্রি ফম থাদোকবা দাবী তৌরি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী অহানবা ফয়ার সবষ্টেসন ঙসি এম.এল.এ-দিনগানলুং গাংমৈনা হাংদোকখ্রে। জিলা অসিগী লোংমাই পার্ট ফাইভতা পাঙথোকপা থৌরমদা ৰা ঙাংবদা এম.এল.এনা হায়- মণিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা শান্তি পুরকবা হোৎনমিন্নশি। লমদম অসিগী তেরিতোরিয়েল ইন্তিগ্রিতি ঙাকবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর এল. নবাচন্দ্র সিংহনা হায়- ঙসি জিলা অসিদা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা ফয়ার সবষ্টেসন হাংদোকপা অসি য়ামা মরুওইবা অমসুং নোনে জিলাগী ইতিহাসতা ময়েক লানা লৈহৌরগনি। লাক্লদৌরিবা মতমশিংদা লমদম অসিগী মীয়ামা মতেং পাংবীনবা মহাক্কী আপীল তৌখি। মহাকা হায়- ঙসিদগী হৌরগা ফয়ার সবষ্টেসন অসিদা লৈরিবা মচাক খুদিংমক লমদম অসিগী মীয়ামগীনি। মৈহৌ লাংপোক্কী খুদোংচাদবা মায়োকরকপা মতমদা মীয়ামা ইম্মরজেন্সি মতমদা ৬৯০৯০১৪৯৫১ দা ফোন তৌবীরকবা দাইরেক্তর আপীল তৌরি।

ৱিমেন (এল)ঃ থবক শুফমশিংদা নুপীশিংবু ইজ্জৎ শোকপা য়াবা থবক চত্থবা থিংনবা আইনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। মদুদা কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিংনিফম মোনসাং অমদি জিলা অসিগী দি.সি. ডাঃ নিভেদিতা লাইরেল্লাকপম শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা এদভোকেট থিয়াম রাজকিশ্বরনা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট ২০১৩ গী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

চান্দেল (এল)ঃ কৃশি বিগ্যান কেন্দ্র চান্দেলনা শিন্দুনা ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিং সিষ্টেমগী মখাদা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম ঙসি কে.ভি.কে. চান্দেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরগী হেদ ওফ রিজনেল সেন্তর ডাঃ সি.ঐচ. বাসুধানা হায়- হৌজিক্কি মতমদা খ্বাইদগী তঙাইফদবা অসি নিংথম থাগী মতমদা ঈশিং ফংদবগী সমস্য মায়োকরিবা অসি কোকননবা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থন্বা হায়বসিনি। মহাকা হায়- ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিংনা লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহনবতা নত্তনা মশাদা লৌউ শিংউ তৌবগী হেন্না থাজবা পোকহল্লি। মহাকা হায়-

লৌমীশিংনা মতমগা চুনরবা লৌউ পথাপশিং শিজিন্নগদবনি।

লোক সভা ঃ চহি ২০ হেল্লক্লবা মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্টি এক্ট ২০০৫ (এম.জি.এন.আর.ই.জি.এ)গী মহুৎ শিনগদবা ভিক্সিত ভারত-গেরেন্টি ফোর রোজগার এন্দ অজিভিকা মিসন (গ্রামিন)-ভিক্সিত ভারত-জি রাম জি বিল ২০২৫ খন্নদুনা পাস তৌনবা লোক সভাদা ঙসি পুখৎখ্রে।

বিল অসিনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইনবা জাতিগী মঙলান অদুগা চুননা চৎনবা খুঙ্গংগী লমশিংবু চাওখৎহন্নবা হোৎননবনি। বিল অসিগী মখাদা শেনবা চহি খুদিংগী খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ খুদিংদা লৈরিবা মপুং ফারবা মীওইশিংনা অনস্কিল মেন্যুএল ৱার্ক পায়খৎপদা নুমিৎ ১২৫ নিগী শেনফম পীগনি। মসিনা মীয়ামদা হেন্না শক্তি পীবা, চাওখৎপা অমদি ৱাৎত-পাদবা খুঙ্গং অমা ওইনবা পান্দমদনি।

অমরোমদা, রাজ্য সভানা ঙসি সবকা বিমা, সবকী রক্সা (এমেন্দমেন্ট ওফ ইন্সুরেন্স লোজ) বিল ২০২৫ খন্নদুনা পাস তৌনবা পুখৎলকখি। বিল অসিনা ইন্সুরেন্স এক্ট ১৯৩৮, দ লাইফ ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন এক্ট ১৯৫৬ অমসুং দ ইন্সুরেন্স রিগুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিতি এক্ট ১৯৯৯ শেমদোকবা অয়াবা পীরে।

------